## মালেমগী অঙকপশিং

# খ্বাইদগী চাউবা ঈশিং চাইবী - ভিক্টোরিয়া ফোলস




খা থংবা অফ্রিকাদা জম্বেরি তুরেল মনাক্তা জম্বিয়া অমদি জিম্বাব্ৱেগী লোন্নবা ঙমখৈদা লৈবা "ভিক্টোরিয়া ফোলস" অসি মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা ঈশিং চাইবীনি। মিটর ১০৮ (ফুট ৩৫৪) ৱাংবা মফমদগী মিটর ১,৭০৮ (ফুট ৫,৬০৪) পাক্লা ঈশিং তারকপা ৱাটরফোল অসি কুমজা ১৯৫৫গী নবেম্বর ১৬তা স্কোটলেন্দ মচা দেবিদ লিভিংষ্টোনননা ইহান-হান্না থেংনরকখিবনি। মহাক্না খৃষ্টিয়ন লাইনীং শন্দোকপা কোয়না চৎপদা ঈশিং চাইবী অসি থেংনরকখি।

ভিক্টোরিয়া ফোলস অসি নোর্থ অমেরিকাগী নাইয়াগরা ফোলসতগী শরুক অনী হেন্না ৱাংই অমসুং হোর্সশু ফোলসতগী শরুক অনী হেন্না পাক্লা ঈশিং চাইথরকই। অৱাংবা অমসুং অপাকপদা ৱাটরফোল অসিগা লম্বা পাবা য়ারিবসি অর্জেন্টিনা অমদি ব্রেজিলগী লোন্নবদা লৈবা ইগুৱাজু ফোলস মথন্তনি।

ঈশিং চাইবী অসিগী মখোঙদা জম্বেরি তুরেলদা ইথৎ অনী লৈ। নোংচুপ থংবা তোর্ব্বান মনাক্তা লৈবা ইথৎ অদুনা বোরুকা আইলেন্দ (নৎত্রগনা কেটরেক্ট আইলেন্দ) কৌই। অতোপ্পা অদুনা লিভিংষ্টোন আইলেন্দ কৌই। মফমদুদগী লিভিংষ্টোনননা ইহান-হান্না ঈশিং চাইবী অসি উখিবনি। মহাক্না কুমজা ১৮৫২ দগী ১৮৫৬ ফাওবা চৎখিবা খোঙচৎ অমগী মনুংদা মফম অদু থেংনখি। মহাক্না মফমদুদা য়ৌদ্রিঙৈদা কনাগুম্বনা ঈশিং চাইবী অদুগী মরমদা ৱারী লীরকখি হায়রি। অদুবু মমীৎমক্না উবা অহানবা মীশক্তি মহাক্না ওইরে। য়ুনাইটেদ কিংদমগী মহারাণী ভিক্টোরিয়াবু ইকাই খুম্নবা ওইনা ঈশিং চাইবী অদু ভিক্টোরিয়া ফোলস হায়না মমিং থোনখি। "কনাগুম্বনা মশামক্না চৎলগা মমীৎমক্না হেক উদ্রিবমখৈদি চীনহায় ৱারী ফনয়াম্না তারবসু ঈশিং চাইবী অসিগী ফজবা পূম্বা খক খঙবা ঙম্লোই" হায়না লিভিংষ্টোনননা ফোঙদোক্লম্বা লৈখি।

কুমজা ১৮৬০ দা লিভিংষ্টোনননা জোন ৫৫ কা লোয়ননা মফমদুদা অমুক হল্লক্তুনা ঈশিং চাইবী অদুগী মরমদা কূপ্না থিজিনখি। য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদা ঈশিং চাইবী অদু য়েংবা চৎখিবা অতৈ য়ুরোপিয়নশিংদি পোর্টুগীজ এক্সপ্লোরর সের্পা পিন্টো, ডেক এক্সপ্লোরর এমিল হোলুব অমসুং বৃটিস আর্টিষ্ট থোমাস বেন্সনি। তুংদা কুমজা ১৯০৫ দা রেলৱে শেমগৎখিবদগী মফমদুদা মীওই কয়া চৎনবা হৌরকখি।

সেসিল রোদসকী বৃটিস সাওথ অফ্রিকা কম্পনিগী থৌশিল অমগী মখাদা কুমজা ১৯০০গী অদুৱাইদা য়ুরোপিয়ন মচা কয়া ভিক্টোরিয়া ফোলসকী অকোয়বদা খুন্দাবা হৌখি। মখোয়না মফমদুদা মহৌশাগী পোৎথোকশিং, শামু ময়া অমদি শাগী মউনশিং থিবা চৎখিবনি।

হান্নদি মফমদুদ চৎপা হায়বসি অশুক্কী মতীক অৱাবগী মশক্লি। অদুবু কুমজা ১৯৩৫গী মতুং তারকপদগীদি রেল লম্বী শেমখিবগা লোয়ননা হোটেল কয়া শাগৎলকপদগী মফমদুদা ইরায়-লায়না চৎপা ঙম্লকখি। হৌজিক্তি চহী খূদিংগী মীওই লাখ ১০ রোম ঈশিং চাইবী অদু য়েংবা লাক্লরি। বস অমদি ট্রেননা য়ৌশিনবা ঙম্লবনিনা মফমদুদা চৎপদা থোইদোক্লা পৈশা তিংনিংঙাই ওইদ্রে। মপান লৈবাক্কী মীওইশিংনা মশা-মশাগী খুদোংচাগদবা য়েংলগা জম্বিয়া নৎত্রগনা জিম্বাব্ৱে রোমদগী ঈশিং চাইবী অদু য়েংবা চৎপা য়াই। মীয়াম্না থোইদোক-হেন্দোক্লা পাম্না য়েংনরিবা মফম অমা হায়বা তারবদি ঈশিং চাইবী মতাইদা জম্বিয়া রোম থংবা নাকলদা লৈবা "আর্ম চ্যের" নৎত্রগনা "দেভিল'স পুল" হায়না খঙনবা মফম অদুনি। শেমগৎ-শাগৎপগী থবক থৌরম হেন্না পায়-খৎখিবা মরম্না জিম্বাৱে রোম থংবা নাকলদা ঈশিং চাইবী অদু য়েংবা লাকপা মীগী মশিং অসুম-অসুম হেনগৎলক্লি। ঈশিং চাইবী মনাক্তা লৈবা নেসনেল পার্ক অনীদা শামু, ইরোই, জিরাফ, জেব্রা, নোংশা, কবোক্কৈ, য়োং অমদি অতৈ শা মখল কয়ামরুম লৈ। মফমদুগী তুরেলদনা ঈশিং-শামু অমসুং গুমভিরনচিংবা থৱায় পানবা কয়ামরুম লৈ। ঈশিং চাইবীগী মথক্তা চেনবা তুরেলদা তোঙান তোঙানবা ঙা মখল ৮৯ অমসুং মখাদা চেনবা তুরেলদনা ঙা মখল ৩৯ লৈ হায়রি।

# মকোক থোংবা হোল্লিৱুদ এক্ট্রেসশিং - গ্লেন্দা জেক্সন



ইচম চম্বা পুন্সি মহীং অমদা হিংলম্বদগী মায় পাকপা মীশক অমা ওইরকখিবা মীওইশিংগী মনুংদা গ্লেন্দা জেক্সনসু অমনি। কুমজা ১৯৩৬ কী মে ৯ দা ইংলেন্ডগী বর্কনহেডতা পোকখিবী জেক্সননা অঙাং ওইরিঙৈদা মফমদুগী ৱেষ্ট র্কবি কাওন্টি গ্রমোর স্কুলদা মহৈ তম্লকখি অমসুং নুপী ঙাক্তগী ওইবা ড্রামা কাঙলুপ অমদা য়াওরকখি। চহী অনীরোম হীদাক য়োনবা দুকান অমদা য়াওরম্লগা কুমজা ১৯৫৪ দা স্কোলরশিপ ফংবদগী রোয়েল একাদমি ওফ ড্রামাটিক আর্টতা তমখি। কুমজা ১৯৫৭ তা মহাক্না পুন্সিগী অহানবা ওইনা টেরেন্স রেটিগানগী ' সেপরেট টেবলস' তা শক্তম লাংদুনা ষ্টেজদা থোকখি। ফিল্মগী ওইনদি কুমজা ১৯৬৩ দা 'দিস স্পোর্টিং লাইফ' তা রোল মচা অমখক ফংখিবদুনা অহানবনি। কুমজা ১৯৬৪ দগী হৌরগা চহী মরি চুপ্পা রোয়েল শেক্সপিয়র কম্পনিদা য়াওদুনা দিরেক্টর পিটর ব্রুকী থিএটর ওফ ক্রুয়েলটি সিজনদা শরুক য়াখি।

কুমজা ১৯৬৯ দা কেন রসেলগী ফিল্ম 'ৱিমেন ইন লভ' তা শক্তম লাংদুনা মপুন্সিগী অহানবা একাদমি এৱার্দ ফোর বেষ্ট এক্ট্রেস ফংখিবী জেক্সননা ওল্লকপা চহীদা য়ুনাইটেদ আর্টিষ্টসকী 'দ ম্যুজিক লভরস' তা কুমখি। মফম খরদা মীয়াম্না পাম্নরবসু মফম খরদদি পাম্নবা ফিল্ম ওইখিদে। কুমজা ১৯৭১ দা মহাক্না মরু কোকথোক্তুনা বি বি সিগী সিরিয়ল 'এলিজাবেথ আর' দা ক্বীন এলিজাবেথকী শক্তম লাংখি। কুমজা ১৯৭১ দা ' মেরি,ক্বীন ওফ স্কোটস' তা মহারানী এলিজাবেথকী শক্তমং লাংখিবগা লোয়ননা চহী অদুমক্তদা 'সন্দে ব্লদিসন্দে' দা কুমখি। অকোনবগী ফিল্ম অসিগীদমক বি এ এফ টি, এৱার্দ ফংখি। কুমজা ১৯৭৩ দনা 'এ টচ এফ ক্লাস' তা ফজবা পর্ফোমেন্স পীখিবগীদমক অনীসুবা একাদেমি এৱার্দ ফোর বেষ্ট এক্ট্রেস ফংখি। মতম খরা ড্রামারোমদা মায় ওনশিল্লুরবা মতুং কুমজা ১৯৮৯ দা কেন রসেলগী 'দ রেনবো' দা অন্না ব্রেং ৱেনগী শক্তম লাংখিবগীদমক শাংলবা চহী ২০ গী মতুংদা অমুক্কা হন্না একদেমি এৱার্দ ফংখি।

অকোনবদা জেক্সননা এক্টিংগী শিনফম থাদোক্তুনা পোলিটিক্সিতা মায় ওনশিনখি। কুমজা ১৯৯২ দা পাঙথোকখিবা 'হাওস ওফ কম্মন্স' কী জেনরেল ইলেক্সনদা হেম্পষ্টিদ এন্সঙ্গ হায়গেট কোন্সটিট্যুএন্সিদা মীরেপ ওইদুনা লেবর পার্টিগী এম পি ওইখি। কুমজা ১৯৯৭ কী মীখলদসু মায় পাক্তুনা প্রাইম মিনিষ্টর টোনি ব্লেৰগী মখাদা মতম খরা জুনিয়র মিনিষ্টর ওইখি।

কুমজা ১৯৫৮ দা মহাক্না লেবর পার্টিগী এদভাইজর রোই হোজেজদা ময়ুম পান্দুনা কুমজা ১৯৬৯ দা দেন হোজেজ কৌবা মচানুপা অমা ফংজখি। অদুবু কুমজা ১৯৭৬ তা মতৈ মনাও খাইনখি। কুমজা ১৯৭৮ দা কম্মান্দর ওফ বৃটিস এম্পায়র (সি বি ঈ) গী মীংথোল পীদুনা ইকাই খুম্নখ্রবী গ্লেন্দা জেক্সননা ফিল্ম কুপ্লিঙৈদা ফংখিবা এৱার্দশিংগী মনুংদা ওস্কার এৱার্দ অনী, বৃটিস একাদেমি ওফ ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন এৱার্দ অমা অমসুং ইবসেন সেন্টিনিয়ল কমেমোরেশন এৱার্দ পনবা য়াই।

## ব্যুটি দাইরিজ - মেক অপ

# কালেন থাদা লৌখৎকদবা উনশা ফজনবা থৌরাং



কালেন থা য়ৌরকপগা ইরোয়ননা উনশাগী ওইবা তোঙান তোঙানবা খুদোংচাদবা কয়াসু লোয়নরক্লগনি। ক্লিঞ্জিং, টোনিং, মোইচরাইজিং হায়বসি কুন্থী কালেন নাইদনা লৌখৎকদবা উনশাগী চেকশিন থৌরাংনি।

মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবা হায়বসি য়াম্না তঙাই ফদে। পুম্নমক অসিগী মথক্তা কালেন থাগী ওইনা অখন্নবা চেকশিন-থৌরাং খরসু লৌখৎপা মথৌ তাই।

কালেন থা হায়বসিমক্তবু হুমাং শৌগনবা মতম ওইবনিনা মায়দা য়েকশিন-তৈশিনখিবা পুম্নমক হুমাংগা লোয়ননা চেনথরকপদগী য়েংবদা মরিং মরাং উহল্লি। মরম অদুনা কালেন থাদদি মেক -অপ কা হেন্না শীজিন্নরোইদবনি। মায়দা কারকপা মরেক অমদি হুমাং খরমখৈ ফাজিন্নবগীদমক য়ারিবমখৈ ওইল-কন্ট্রোল ফেসিয়ল ক্লিঞ্জর নৎত্রগা টোন্নর শীজিন্নবা মথৌ তাই। ফাওন্দেসন শীজিন্নবগী মহুৎতা টিন্টেদ কোন্সিলর নৎত্রগা টিন্টেদ মোইচরাইজর শীজিন্নবা কান্নগনি। তঙাই ফদনা ফাউন্দেসন তৈগে হায়রবদি প্রাইমর অমা হান্না তৈরবা মতুংদা মদুগী মথক্তা ফাওন্দেসন তৈগদবনি। কালেন থাগীদমক্তদি সিলিকোন বেজ আয় শেদোনা চুনবা হেল্লি মীৎকী পাদা পাওদর হান্না থারবা মতুংদা মাস্কারা তৈরবদি পাগী ফজবা হেনগৎহল্লি। খ্বাইদগী ফবদি হুমাংনা চেনথখিদনবগীদমক ৱাটর রেজিষ্টেন্ট মাস্করা শীজিন্নগদবনি। কালেন থা মতমদদি চীনবালদা ফাওন্দেসন হান্না তৈরবা মতুংদা লিপষ্টিক থারবদি ফজবা অমসুং কুইনা চৎপা হেল্লি।

অতৈ অতোপ্পা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিংদিঃ

❖ নুমীৎকী মঙালদা য়াওবা অলট্রাভাইওলেট রেদিয়েসনদগী ঙাকথোক্লবগীদমক সন প্রোটেক্সন ফেক্টর ৩০ য়াওবা সনস্ক্রিন শীজিন্নবা মথৌ তাই। চৎথোক্কদবা মিনিট ২০ ৱাৎলিঙৈদা সনস্ক্রিন তৈগদবনি। উরুমদা লৈগদবা ওইরবসু নুমীৎ খুদিংগী সনস্ক্রিন তৈবা মথৌ তাই। ❖ নোংমদা অনীরক ক্লিঞ্জিং, টোন্নিং অমদি মোইচরাইজিং তৌগদবনি। কালেন থাদদি সেলিসাইক্লিক এসিদ য়াওবা ক্লিঞ্জর শীজিন্নবনা হেন্না ফৈ। ❖ চয়োল অমদা অনীরক পোলিশিং স্ক্রব শীজিন্নরগা মসাজ তৌদুনা উনশাদা পকপা ফত্তবা, অকংবা অমদি অশিবা সেলশিং লৌথোক্কদবনি। ❖ শমগী মোইচর মাঙখিদনবা চাং নাইনা শমখোঙদা য়ুবী থাউ, কেষ্টর ওইল অমদি ওলিভ ওইল তৈশিন্দুনা মসাজ তৌগদবনি। ❖ খোঙয়াদা নুংশিৎ-নুংশা চঙনবগীদমক সেন্দলগুম্বনা হেন্না নম্না তোংগদবনি। তৌবতবু সনবর্ন তৌদনবা, খোঙদসু সনস্ক্রিন তৈবা মথৌ তাই। ❖নুমীৎ খুদিংগী ঈশিং মরাং কায়না থকপগা লোয়ননা মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবা হায়বসিনা হকচাং ফহনবগী মথক্তা শক-চুসু ফজহল্লি।

# কোবী-মট্টর করম্না থোংগদগে ?



চঙগদবা পোৎচঙ : ❖ গ্রাম ৫০০ রোম লুম্বা কোবী থমচেৎ মানবী অমা ❖ হৱাইথরাক অখোকপা কপ অমা ❖ ময়ায় ওইরপ চাউবা তীলহৌ অনী (কূপ্না শোইরবা) ❖ খামেন অশিনবা অচৌবা অমা (কূপ্না শোইরবা) ❖ মোরোক অতেকপা অহুম (কূপ্না শোইরবা) ❖ শিং অশুবা চামচ অমা ❖ চনম অশুবা চামচ অমা ❖ জীরা চামচ তংখায় ❖ দালচিনি মচেৎ অমা ❖ ইলাইচি অশংবা অনী ❖ কালি মির্চ ৪-৫ ❖ তেজ পট্টা মনা অমা ❖ য়াইঙং মকূপ চামচ তংখায় ❖ ফদিগোম মরু অশুবা চামচ অমা ❖ গরম মসালা চামচ তংখায় ❖ লোং ২-৩ ❖ অচাথাউ চামচ অহুম ❖ থুম খরা ❖ কূপ্না শোইরবা ফদিগোম মনা খরা

থোংবগী মওং : ❖ কোবী থমচেৎ মানবী মচেৎ মচেৎ শেৎলগা শেংনবা চামথোক্লো অমসুং মচুম কংহল্লগা থমখ্রো। ❖ হৱাইথরাক অদু হান্না ফৃৎলগা মুল্লমদাইদা থাংথরগা মহী চিথোক্তুনা থমখ্রো। ❖ মৈথক্তা উয়ান থাংগৎলগা অচাথাউ হৈরো অমসুং তেজপট্টা মরু মরাং পুম্নমক হাপচিন্দুনা ঙৌরো। ❖ তিলহৌ অশোইবা, মোরোক অতেকপা, শিং অমদি চনম হাপচিল্লগা ওৎলো। ❖ মচু ওল্লক্লবা কান্দা খামেন অশিনবা হাপচিল্লো। ❖ মথংদা য়াইঙং মকুপ, মোরোক মকুপ অমদি ফদিগোম মরু হাপচিন্দুনা খামেন অশিনবা অদু মুন্দ্রিবফাওবা ঙৌরো। ❖ কোবি থমচেৎ মানবী হাপচিল্লগা নীংথিনা ওৎলো। ❖ পুখম অমদা ঈশিং খরা হৈরগা মদুনা উয়ানগী মখুম খুমজিল্লো। মসিনা কোবি কাশিলহল্লোই অমসুং মহী হাপত্রবসু য়াগনি। অদুম ওইনমক মরক-মরক্তা মখুম হাংদোক্তুনা চেক তৌবা মথৌ তাই। ❖ মুল্লবা কান্দা থাংথরগা ফদিগোম মনা চাইশিল্লো অমসুং ফোঙ-ফোঙ শানা চাবা য়ারে।








Title: Scenery
By: Chingamba
Class: III Sec: Roll No. 18
School: Ramkrishna Misson School




Title: Friendship
By: Maximus Ningthoujam
Class: II Sec: Roll No. 26
School: Maria Montessori Sr. Sec. School

Title: A Scenery
By: Palmei Jeanchuilu
Class: V Sec: Roll No. 50
School: Nirmalabas High School


Title: Scenery
By: P. Malemnganba
Class: IV Sec: C Roll No. 2
School: Standard Robarth





Title: Mega Rayquaza
By: Rickson Ningombam
Class: III Sec: B Roll No. 55
School: St. Joseph's Higher Secondary School




Title: Pokemon
By: Nongmaithem Poireikhon
Class: V Sec: A Roll No. 28
School: Regular English High School


Title: Scenery
By: Prichard E.
Class: II Sec: Garnet Roll No. 8
School: Heritage Convent.


Title: Slender Man
By: RahuL Yumnam
Class: VIII Sec: B Roll No. 24
School: Shishu Nistha Niketan